থৌদাং মায় পাক্লা পাঙথোক্কে হায়রবদি অয়েৎ অপন খূদিং মায়োক্নবা তাই : ডা. অশোককুমার

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) : মীওইবা ঐখোয়গী পূন্সিদা পীরক্লিবা ঐ-ঐগী থৌদাং মায় পাক্লা পাঙথোক্কে হায়রবদি মাঙদা লাকপা অয়েৎপা অপনবা খূদিংমক মায়োক্নবা তাই হায়না য়েঙ্খোম নেত্রমনি কোলেজ ওফ নর্সিং, ককচিংগী দিরেক্তর ডা. য়েঙ্খোম অশোককুমার মঙাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ককচিং লমদোংগী জিবন হোস্পিটাল কমপ্লেক্সতা লৈবা য়েঙ্খোম নেত্রমনি কোলেজ ওফ নর্সিং (ৱাই এন কোলেজ ওফ নর্সিং), ককচিংগী অহুমশুবা বেটচকী বি এসসী নর্সিং তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মৈরা চুখৎপা অমদি ৱাশক লৌবা (লেম্প লাইটিং এন্দ ওথ টেকিং)গী ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ডা. অশোককুমারনা মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়না ঐখোয়গী পূন্সিদা মখল কয়াগী য়ৈখাই-থিনগাইবা, অয়েৎ-অপন কয়া অমা থেংনরকপা য়াই। ঐখোয়না ঙসি থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসিদগী হেনবা খুদোংচাদবা কয়া অমা অমুক থেংনরকপসু য়াই। অদুবু ঐখোয়না মদু খূদিংমক থেংনদুনা ইশা-ইশাদা পীরিবা পূন্সিগী শিন্থা অদুম্মক পাঙথোক্লুস্বা অদুনি মথৌ তারিবদি। ঐখোয়না পূন্সিদা থেংনরকপা খুদোংচাদবা কয়া অদু কিদুনা চেল্লবদি পূন্সিদা পীরক্লিবা ইশা-ইশাগী থৌদাং অদু খক মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লোই।

ঙসি ঐ-ঐনা মীওইবা খূদিংমক ঙমজবা খরা কত্থোকপগা লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগীদমক থৌদাং পাঙথোক্লম্লবদি মীয়াম্নসু ঐখোয়বু শোয়দনমক শীংথানবীগনি। ঐখোয়না মণিপুরদা চথরিবা কাঙলুপকী ঈরাং অসিদা শুগুনু, সেরৌ এরিয়াগী লানফম অমদি পল্লেল এরিয়াদা থোক্লিবা লানফমশিং অসিদা অশোক-অপন কয়া লেম্না অনা-লায়েং চথখিবা, মতেং পাঙখিবা অদুম্মক জিবন হোস্পিটালগী ঙমজবা তেংবাঙনি। মদুবু মীয়ামদা ফংহঞ্জখিবনি। অসুম্না ঐখোয় মীওইবগী পূন্সিদা ঐগী ঐগী ঙমজবা খরদং ওইরবসু হোৎনরম্বা মথৌ তাই হায়নসু ডা. অশোকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ডা. এন জিবনলাতা, মেদিকেল সুপরিন্টেন্টেদন্ট জিবন হোস্পিটাল ককচিংনা অখন্নবা মীথুং ওইখি। প্রোফেসর মাইবম কুমুদিনি, প্রিন্সিপাল য়েঙ্খোম নেত্রমনি কোলেজ ওফ নর্সিং ককচিংনা থৌরম মপু ওইদুনা শরুক য়াখি। মৈরা চুখৎপা অমদি ৱাশক লৌবা (লেম্প লাইটিং এন্দ ওথ টেকিং) থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী ফেকল্টি মেম্বরশিং অমসুং জিবন হোস্পিটাল ককচিংগী ডোক্তরশিং অমদি নর্সশিংসু শরুক য়াখি।

লানগী চৈথেং নংলবা আর্টিষ্টশিংগী থম্মোয়গী পাউদম-১৭

লীলা-দ্রামা, ফিল্মবু হরাও কুম্মৈ ওইনা উবীগনু আর্ট ফোর্মশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাং খঙবীয়ু

হেমচান্দ নিংথৌজম

ঙৱাংগী মখা... মীওই কয়ানা হিরো কুম্মবা মঙোন্দা কন্না হায়রকখিবা লৈখ্রে। অদুবু মহাক্না কুম্বা পামদবা, ফিল্ম নম্বদা ঙাওরকপা মীশক অমা ওইবদগী ফিল্ম মেকর ওইনা লৈরকখি। মণিপুরী ফিল্ম সেল্লুলোইদকী মতমদগী দিজিটেলগী মতম ফাওবদা মহাক্না ফিল্ম মেকিংগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অসুম্না কেমেরামেন অমদি দিরেক্তর হায়বা শিনফম অসিনা অসুক শাংলবা মতম অসি মহাক্না মহাক্কী ইমুং-মনুং, মচাশিং লোইনা শেল্লকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

হৌজিকসু মণিপুরী ফিল্মবু অফবা মায়কৈদা অমদি মীয়াম্না য়েংবা য়াবা ফিল্মশিং ওইননবা হোৎনরিবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেয়রমেন ওইদুনা মণিপুরী ফিল্মগীদমক য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। মখা তানা ফিল্ম ফোরমগী চেয়রমেন অমা ওইনা মহাক্না ফোঙদোরকপদা, মণিপুরদা হৌজিক হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা লান অসি থোক্লিঙৈগী মমাঙদা নম্বা হৌখিবা ফিল্ম কয়া অমা লৈরি। লান অসিনা মরম ওইদুনা ফিল্ম নম্বা লেপ্লে। অমরোমদা ফিল্ম খরদা অঙাং মচা শাখিবা আর্টিষ্ট অদু হৌজিক্তি চাউশিল্লকপা য়াওনরে। মসিনা নমখ্রবা ফিল্ম অদুগী কন্টিন্যুটিদা য়াম্না চাউনা অকায়বা কয়া লৈগদৌরি। অসুম্না চত্থরিবা লান্দা অসিনা ফিল্ম নম্বনা শিনফম ওইজরিবা ঐখোয়দা অকায়বা কয়া পীরি।

মরম অসিনা ঈশৈদা য়ূম্ফম ওইবা অদুগা লোইশিন্দবা য়াদবা ফিল্মশিং লোইশিনবদা মীয়াম্নসু মতেং পাঙবীয়ু। লৈঙাক অসিদা মহাক্না আপীল তৌরদুনা হায়খিবদা মমাঙদা শেমখিবা দিফঙ্ক তৌদুনা লৈরিবা 'সিনে কম্মিসন' অসি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহনবা য়ানবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

লাইময়ুম সুর্জকান্তনা নমখিবা ফিল্ম খরগী মমিং পনবা তারবদি, খোম্থাং, থম্বাল, কনাগা হিংহৌনি, অরোইবা বিদাই, মৈচাক মৈচাক, মৈরী, নোংজু অহিং, ওপরেসন সঙাই, হয়েংনা কনাগীনো, রিপোর্টর, ষ্টার, কৃষ্ণ অল্লা জেসস, লক্ষ্মিপুরগী লক্ষ্মিপ্যারি, লালহৌবা, হয়েংনা কনানা পানগনি, ইতাও ইবুংঙো নুংশিবী অসিনচিংবনি।

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

মালেম লূম্নবা পোকপা মী মখল

'ভারত জোরো ন্যায় যাত্রা'- ভারত পূনশিনহনসি, অচুম্বা ৱায়েল পুরকসি হায়বা খোল্লাওসিদা য়ুম্ফম ওইবা খোঙচৎ অমা কোংগ্রেস পার্টিনা শীন্দুনা শাংলবা খোঙচৎ অমা হৌজিক চৎলি। জন্যুৱারী ১৪, ২০২৪ নোংমাইজিং নুমিত্তা মণিপুরগী খোংজোমদগী লমথাখি। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট 'মাল্লিকার্জুন খর্গে' অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবা 'রাহুল গান্ধী'না লুচিংখি। মহারাস্ত্রগী কোনুং 'মুম্বাই'দা লমথুংফম ওইগদবা খোঙচত্তু, মণিপুরগী কোনুং ইম্ফালগী হাপ্তা কাংজৈবুংদগী খোঙশানগনি তৌরম্বনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদবগী চরাংনবা ফীভমসিদা, ময়োন-লমদম অসিদা মী য়াম্না তীন্দুনা মীফম পাঙথোকপগী অয়াবা বি জে পি লৈঙাকসিনা পীদবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী খোংজোম তির্থ কৌনরিবা মফমসিদগী খোঙশানখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা হায়... খোঙচৎ অসি রাজনিতিগী ওইবা পান্দম/মোতিফ অমদা শীনবা নত্তে, মচেৎ তাখিগদ্রা চিংনরবা ইন্দিয়া পুনশিনহন্নবনি, অচুম্বা ৱায়েল ফংদ্রবা ভারতকী প্রজাশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা খোঙচৎনি। বি জে পিনা খল্লি- খোল্লাও অসিমক রাজনিতিগী খোল্লাওনি... থা অনী/অহুমতা ঙায়শিল্লক্লবা পার্লিয়ামেন্টকী (লোক সভা) জেনরেল ইলেক্সনসিদা মীৎয়েং থল্লগা শীল্লকপা কেম্প্যেন মখল অমনি।

শ্রী বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্লা চিংনরিবসিগী অচুম্বা লৈ। মে ৩, ২০২৩দগী হৌখিবা কুকি-মীতৈ উংখৎনবগী ঈরাংসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা লোক সভা নৎত্রগা বিধান সভাগী মীখল হৌজিক পাঙথোকপা তারবা করিগুম্বা কুকি ভোটর নত্তনা অতোপ্পা ভোটর অমত্তনা বি জে পিনা থাদোকপা মীরেপ্পুদা ভোট পীনিংলোই হায়বসি পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা খঙই। দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লি, সেন্টরদসু ষ্টেটতসু তূনা লৈঙাক পায়রিবা। তৌগে'মক্তা নীংলবা, লৈঙাকসিনা তৌবা ঙম্বা কয়া লৈ অতে লৈঙাক্লা তৌ'ঙমদবা। থোক্লিবা ঈরাং অসিসু লৈঙাকসিনা পাল্লবা, নুমীৎ নীনি/হুম্নীদা নমথবা ঙল্লম্মী... থওইনা মখা শাংথহল্লিবনি... বৃটিশশিংনা শীজিন্নরম্বা (অদুঙৈগী কৌতিল্যগী থিওরি) 'দিভাইদ এন্দ রুল' (মথক্তা ঙম্না পান্নবা, মচেৎ তাহল্লু, নুংশিনহনগনু) হায়বা লৈঙাক পথাপু পানশিল্লকপনি। ইচম চম্না নুংশিনদনবা, মচেৎ তাহন্নবা হূ কাম্বা নত্তে, ইফোং ফোংনা কুকি কাঙলুপকী মীচঙদা লেপ্লিবনি। মশীং থীঙমদ্রবা সেন্ট্রেল ফোর্স ময়াম অমা হোইজিন্দুনা পুশিল্লক্লগা মখোয়বু ঙাক শেনহল্লিবনি, অসাম রাইফলসনা ঙাক শেল্লগা মীতৈদা এট্রেক তৌহল্লিবনি, ষ্টেট পুলিস ফোর্স নুপা মরক-নুপী মরক (নপুংশক) অমগুম লৈহল্লিবনি। ৱাফম অসি ইমোসন্না হুমদুনা হেক্তা হায়জিনবা নত্তে, প্রমান ওইবা ভিদিও লৈখ্রবনি মশীং খঙদা। করি অমুক হায়গনি, খূৎলায় পায়দবা মীচম মীয়াম, লৌমী-শিন্মী, মহৈরোয়শিংদা এট্রেক তৌদুনা অকন-অরিং শল্লক্সবদগী, মোরেদা মথৌ তৌরিবা ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ওনশিন্দুনা এট্রেক তৌরক্লবা, মীশি-মীনা থোকহল্লক্লবা, লানদা শীজিন্নগদবা খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নরক্লবা ফাওবদা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা মখোয়গী মথক্তা খূৎ থানবগী য়াথং পীদবা লৈঙাক্লি। অসি য়ৌনা তমথীবা, ফোংনা দিল্ল্যার তৌদবা লানফম অমগী শক্লোন লৌরক্লবসিফাওবদা মালেমগী সুপর-পৱার লমজেলদা য়াওরবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক মপু (প্রাইম মিনিষ্টর)না মণিপুরগী ৱাথোকসিবু পোলিটিকল প্লেটফোর্মদা খন্নবা য়াদবা ৱা, উমং-ৱামংদা শা মশেন হাত্তোক্লবগুম লৌদুনা মচিন-চীনবান অদুদগী ৱাহৈ অমত্তসু কাঙথোকউ য়াদনা 'মৌন ব্রত' তৌরক্লি। থা মাপন শুরক্কদৌরে। ২০১৪- মহাক্কী অহানবা কেম্প্যেন মীটিং - মহাক্না ঙসি তূমিৎ কাঙগুম মীরায়রিবা মীতৈশিংনা থৌবু ওইদুনা লাংজিং (লানচীং) চীংগী চীংখোঙদা পাঙথোকখিবনি কাউখরে। ঙসিগী কোরৌ অসিদা তম্পাক লমগী মীয়াম্না বি জে পি লৈঙাকসিদা ৱারৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী এট্রিব্যুট অসিননি হায়বসু খঙই- পার্টিসিগী ষ্টেট লুচিংবশিং অসিনা!

এপ্রিল থাগী থায়ায়দা পাঙথোক্লবা য়াই পানরিবা ইন্দিয়াগী লোক সভা ইলেক্সন দবল ইঞ্জিন লৈঙাকসিগী ইঞ্জিন মকোক অসিগী চহী মঙাগী লাইবক লেপকদৌরিবা মীখলনি। মণিপুরগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি- বি জে পিগী মীহুৎনা মহুৎ শীন্দুনা মিনিষ্টর ফম পায়রিবনি হৌজিকমক। মীয়াম্না ঙাওনৈ, ইলেক্সন নৈনবা কাঙবুনসু হায়... '২০২৪গী মীখলসিদদি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা বি জে পিগী মীরেপ্পা অমুক হল্লকপা লুগনি'। অসিগুম্বা তানফমদা কোংগ্রেস পার্টিগী ভারত জোরো ন্যায় যাত্রা মণিপুরদগী খোঙশানবা হায়বসি রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবনি- বি জে পি খক্না নত্তে, পুম্নমক্না খঙই। কোংগ্রেসকী ফিরাল শীজিন্নরোই, নেসনল ফ্লেগ শীজিন্নগনি... পার্টিসিগী মণিপুর-ইন-চার্জ গিরিস চন্দোনকরনা লাউথোক্লম্মী... 'রাজ নিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা নত্তে, মচেৎ তাগদৌরবা ভারত পুনশিনহনবনা পান্দমনি, অচুম্বা ৱায়েল পুরকহন্নবনি'...।

অদুবু, খোঙচত্তুনা অসাম য়ৌরকপদদি অশেংবা মশক থোক্লকখি। 'রাহুল গান্ধী'না মীফম অমদা লাউথোক্লুই... 'হেমন্ত বিশ্ব শর্ম্মা, ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা শেঞ্জাবা মিনিষ্টরনি'...। পেন্দোরাগী উপু হাংদোরকপগুম্বনি। মতম অমদা হেমন্তনা কোংগ্রেস ওইরিঙৈদা রাহুলনা পার্টি প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা মহাক (হেমন্ত)বু রাহুলগী য়ুমদা লোইবা হূই অমগী থাক্তা থম্মী হায়বই ৱারী লীথোরকখি নৌহৌনা। ঐখোয়সু হান্না তাখরে। খোঙচৎ অদু অসাম সরকারনা হান্না অয়াবা পীখ্রবা লম্বী পরিংদগী নাথৈদুনা গুৱাহাতি সহর চঙশিন্নবা হোৎনরক্লবা ফাগনি হায়না কিহনখি।

খোঙচৎ অদু খোঙশাল্লমদাই, গিরিস চন্দোনকরগা ঐখোয় খরগা লন্নাই ওইনা উন্নবগী থৌরম অমদা ঐখোয়না হৌদোক্লুই... 'মচেৎ তারবা থম্মোয়বু তাইশিনহনবা, মচোয় মচোয় তারবশিংবু পুনশিনহনবনা খোঙচৎসিগী পান্দম ওইরবদি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী অশেংবা কর্ম্মি মীতৈ মচা চহুম চামরিদং য়াওহনবীয়ু, কাংপোকপীগী কুকি-কোংগ্রেস-ৱার্করশিংদা হান্না পাউ পীবীখো, এক্স-সী এম ইবোবী অমদি মীতৈ কলচরেল আইকন খরবুসু য়াওহনবীয়ু... য়েংসি- কুকিশিং করি হায়রকপগে'...!

পীরক্কদবা পাউখুম ঐখোয় খঙখি হান্ননা। মমাঙগী নুমিৎকী সেনাপতি খোঙচত্তা, কুকি নুপীশিংনা কাংপোকপীদা মখোয়গী গাড়ীদা মীতৈ য়াওব্রা চেক তৌরকখিবই ৱারী লীরদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্তনবা, খুদোংথিবা মীকুপ বার্তন তৌদুনা কৌরুদনবা, ঐখোয়না হৌদোক্লুরিবা থৌওংদু, খোঙচৎসিনা নাগালেন্দ লাম্হোকখ্রগা হল্লক্তুনা অদুগুম্বা থৌরম অমা শীল্লগে... হায়রমখিবদুদা খঙখি- পোলিটিসিয়ন অমগী ৱাঙাংনি। মহাক্কুম্বা ফমনাউ পায়বা পোলিটিসিয়নদি হায়রুনু, প্রাইম মিনিষ্টরগী মথং খনবা, হোম মিনিষ্টর মশামক্লফাও 'নুমিৎ তরানিগী মতুংদা ঐহাক অমুক হল্লকখিনি' হায়না লাল্লক্তুদা হায়রল্লগা থা নিপান হন্না য়েংলকখিদ্রবনি ঙসিফাও। মথায় থায়না মমাংঙৈ, রোমগী এরেনাদা অকনবা অনী হাত্তোক্লকহল্লগা অঙম-অথৌ ময়াম্না খুবাক খুনা য়েংখিবা, হোল্লিৱুদকী ফিল্মগী সিন নীংশিংহল্লি।

... 'মীতৈশিংনা কুকিশিংগী মথক্তা চত্থরক্লিবা মীওৎ-মীনৈ ঐখোয় মখা তানা খাঙবা ঙল্লরোই... ৱী কেন্নোৎ তোলরেৎ দ মীতৈজ এনিমোর... মখোয়গা মরী লৈনদবা লৈঙাক অমা লীংবা নত্তনা লান অসি লোইশিন্নবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা লৈতে'... কুকিশিংনা লুপা ক্রোর চা কয়া ইনভেষ্ট তৌদুনা লৈখ্রবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল মীদিয়াগী খুখাঙদা শনে দাকখ্রবা ৱাশেম-ৱা (নেরেটিব) অমনি। করম্না, কৈদৌঙৈ চত্থখিবা মীওৎ-মীনৈ? হিষ্টরিকল ওইবা খুদম চাংদম অমত্তসু লৈতবা এক্সজেসন... ওইদ-পাদবা, শেমজিন-শাজিনবা সুদো-কুকি-ইন্টেল্লেকচ্যুঅলশিংগী লাইরিকশিং, অহৈবা-অখঙবা স্কোলার অমত্তনসু কাউন্তর তৌদুনা ৱাখল তাহনখিদবদুগী মহয়নি ঙসি লাক্ল-ফানা ঙমদ্রবা লমশাগুম্বা মীওই কাঙলুপ অমা ওইরক্লিবা মখোয়না। তৌবিমল/ওব্লিগেসন হায়বা মীওইবা খূদিংমক্তা চেনফদ্রবা গুণ অদু কুকিশিংদা চেল্লমদবগীনি 'মালেম লূম্নবা পোকপা মী' হায়বা মীখল অদু ওইরক্লিবা মখোয়না।

চানবগীদি থম্বু-থম্বীখো, ইচাশিংগী তুংগী পূন্সিগীদমক খনবদা অহিং তূমদ্রে : ৱাঙ্খেম ওংবী ইবেমচা

হকথেংনবা পাউদম

চূড়াচান্দপুর থিঙ্কাইফাই মৈতে মখা লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী ঈরাং অসি হৌরকখিবা চহী ফাগদবা থা ৩ লোমতমক ঙাইরক্লবা অসি ফাওবদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা লান অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবা ইউ-উদবনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ঐখোয়দি চানবগীদি থোইনবু খল্লুদ্রে। হয়েং তুংদা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং অসিনা করম্না লৈহৌগনি হায়না খনবদা অহিং তূমদ্রে হায়না চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী থিঙ্কাইফাই মৈতে মখা লৈকায়দগী কোম্হৌজম মখা খাবম হায় স্কুল রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ৱাহেংবম ওংবী ইবেমচা (৪৬)না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাকসিনা ঈরাংসি লোইশিন্নবা হোৎনরম্বদি য়াই। অদুবু ঐখোয়দা করিমত্তা খঙহনবীদ্রে। চহী য়ামশিল্লক্কদৌরবা ঐখোয়দি ইচাশিংগীদমক হিংলিবনি। মখোয়গী ৱাখলদা লাইমন ওইরে। ইচাশিংনা নুংঙাই-য়াইফনা লৈহৌবদু খত্তনি ঐখোয়না পামজরিবা, হোৎনজরক্লিবা। অদুবু মতম অসুক কুইনা ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অসি ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙাইরিবনি। অদুবু মদুগী মমি ইতা তাদ্রিবনিনা ঐখোয়গী মতম কয়া য়াম্না মাঙহনবীখিদৌরিবনো? ৱাহং অসি লৈঙাক্কী মফমদা তোয়না হংনিংলি। সোমদনা ঐখোয়বু মতেং পাঙবীরিবা রিলিফ কেম্প অসিবু শেন্নবীরিবা ইচা-ইনাওশিং অসিনা ঐখোয়না লৈমায়দা থারগা হিপ্পা উৱগা মখোয়সু ময়ূমদা হল্লগা ফমুংদা তূম্বা ঙমদ্রে হায়দুনা কেম্প অসিদা লাক্কুনা মখোয়সু থারগা ফাওবা লেকপীররি। ইনমেটশিংগী ফমুং অমমমতদি চনগনি হায়দুনা কন্না হোৎনবীরি। অদুবু ঐখোয়গী তং-তাবা ফীভম অমা লেপ্পীগদবা লৈঙাকসিনদি হায়রিবশিং অসি করিমত্তা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈবগুম তৌরি।

ঐগী ইপুরোইবা ৱাঙ্খেম ইঙোচা থবক শু-নোম্বা কঞ্জবা মীশক্লি। ঐখোয় অনী চঙনা শু-নোমজরগা হিংজরকখিবনি। ইচানুপী মঙা অমসুং ইচানুপা অতোনবা অমগা পুন্না ইচা তরুক্লি। নুপী অনীদি ময়ুম-মকৈ পানখ্রে। অতৌনা হৌজিক পুন্না মফম অসিদা লৈমিন্নজরি। শু-নোমদুনা তাঞ্জবা ইরলনা তাঙনা লৈজবা পোৎশক খরদা পেঞ্জদুনা নুংঙাইনা য়ূম্বানমিন্নরকখিবনি। অসুম্না লৈরকপনা চহী ৩ ফাদ্রি ঐখোয় নিংশা শ্বর খরা নে-তানা হোনবা ফংজরক্লিবসি। পূন্সিগী ফীভম খরা ফগৎলক্লে, ইচাসে স্কুল অফবা তমহল্লগে হায়নসু খন্নজরকখিবনি।

অদুবু লাইবক্না থীরিবসু শাগৎচরকখিবা মঙলান কয়া অদো হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা খঙহৌদনা কুকিনা হৌরকখিবা ঈরাং অদুনা মমি শামহনখ্রে। কাউবা ঙমদে নুমিৎ অদো। ঐখোয়সু করিসু খল্লুদবনিনা তৌফম থোকপা ইথৌ মহৌশাগুম পাঙথোকচদুনা লৈরম্বনি। নুমিদাংৱাই য়াচঙলকপা মতমদা ফোনদা লীলা অমা থাদুনা ইমুং-মনুং ৱাইরম শিৎ-শেংদুনা তাশিন-খোমজিল্লিঙৈদা ইপুরোইবা লাক্কুনা চাক ঙন্না থোংলগা চাথোক্লবা তৌসি। ঈরাং অসে য়াম্না কন্খৎলক্লে হায়দুনা ফেসবুক্তা তোর্বুংদা য়ূম কয়া মৈ থাবগী ফোটোনচিংবা অদু উৎলদুনা ঐঙোন্দা হায়রকখি।

ঐখোয়না থোইনা হেন্না খঞ্জিল্লুদবনসু ওইরম্বা য়াই। মদুদি ঐখোয়না হৌবা মরুপকী শেনফম থা অমরোমগী মমাঙদগী মরুপ অদুদা য়াওবা কুকিশিংদি মরুপকী শেল অদুম্মকহুল্লকখিদ্রবনি। মৈতৈশিংদগী লৌবা শঙ্গোমগী পীফম থোকপা শেল কয়ামুক পীরকখিদবা লৈখিবনি। অসুম্না নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা ঐখোয়গী খুল অদুগী কুকি নিংথৌনা হিংনবা চেল্লো হায়রে। মদু তাবদগী ঐখোয় পুন্না লৈসিনসি তৌরম্বদো মহয়-মহয় মানা-মানা থোকপা হিংননবা চেন্নরকখিবনি। মথোং মরম খঙনখিদ্রে। লৈকায়দুদা ঐখোয় ১১ খক লৈহৌবনি। অদুবু ফৌ চিংলুবা ষন গাড়ী অদুগীদমক খন্দুনা খোঙ থাংদোকপা ঙমখিদবনি। অদুবু ঈরাংগী ফীভম ফৎলক্তবনা ঐখোয়সু চীংগী উমংলোমদা কাখত্তুনা লোৎপা তাখি। থৌদোকশিংদু নীংশিংলগা মরিশুবী ইচানুপী অসি হৌজিক ৱাখলগী লায়না লায়চেন্নরে। তোয়না-তোয়না ৱাঙ্খবী মফম খঙদনা লেকথরকপা তৌদুনা লৈরে। অসুম্না ৱাগদবা ওইরবদি মফম অদুদা ইমা-ইচা থৱায় থারম্বনা হেন্না ফৈ। ঐ ইচাগী মতৌ অসে য়েংবা ঙমদ্রে হায়রকখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০১।২০২৪ ইং, ইরাই;
ৱাকচিংগী ১৬নি পানবা।

মেষ: লৌথোকনিংবা খরা লৈরসু নচাক-নরল চাওখৎপা, মীনা ফনা শোন্নবা, নচা-ননাইশিংগী মতেং ফংজবা, মীকোক থোংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃষ: অশাওবা অমদি নাপল উথোক্কনু-মী লোয়নবা হৈয়ু। নীংবদি থুংগনি, ওইজবা তানবদা মী-ঙাইদনা খূৎচাও থাবা মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: অফবা মরুপ তাঙগনি, হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎলি-থৌয়াম পুগনু। হান্নদে পাঙলকপা থবক্তমক পাঙউ, ফিংবনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱা ঙাংলদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

কর্কট: চরাংনদনা খন্থরগা থৌ পাঙলদি কান্নজগনি। আশা চাউবা য়াবা নুমিৎনি। ফত্তে খঙলবা থবক্তা মায় ওনশিল্লদি অকিবা নংগনি।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

সিংহ: হকচাং নুংঙাইবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাউবনা মীনা লাকচবা ঙম্লোই। নীংবা লোইনা থুংদ্রসু থবক খরদি পাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী ফগৎনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

কন্যা: ৱাখলগী পাঙ্গল লৈবা, ঙাং-শকপা হৈবা, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা নুমিৎনি। য়েক্নবনা ওৎপা য়াবদি লৈ-শাওগৎকনু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

তুলা: নীংবা মপা চাগনি, লৌশিং ফুদোকপা লায়না ঙমগনি অদুনা ৱাখল তানদবা লৈরদি তান্নথোকপা য়ারনি। মরুপতি মরৌ লৈ।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: ৱাখল থোকপা ৱাৎলি, পূক্নিংদা চিংনবা ফাওগনি, হন্থবা লোয়নগনু, মরম খঙদনা হোয়া ফগনু। লন/মতেং খরদি ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: নাপল, অশাওবা অমদি চরাংনবা য়াওদনা লৈয়ু। নুংশিবা মরুপ নৎত্রগা অখঙ-অহৈগী পাউতাক লৌরগা থৌ পাঙউ। নৎত্রদি ফরোই।
লৈশা পাখংগী- খোয়রাং খোয়শাওনগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: নীংজবা শোয়দনা থুংগনি, য়েক্নবনা করিসু তৌবা ঙম্লোই, লাই-গুরুনসু য়াম্না চাল্লি। অশাওবনদি কায়নহনবা য়াই-তপথৌ।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: য়েৎনবা, মীৱা লৌবা, অহৈ-অশিং শাবা অমত্তা কান্নরোই। খন্থরগদি মায় পাক্কনি, অনৌবা আশাদা য়ূম্ফম ওইবা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

মীন: হোয়া ফরবা অমদি নখা থাবগী ৱা লুম্না লৌরদি মাঙজগনি। চিংনবা খরা পোক্লসু মীগী মতেংনা থবক পাঙগনি, মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

MECI
A Reliable Premier Institute
Administrative Block, MECI Tower, 1st floor, Keishampat Junction, Imphal

ADMISSION OPEN

1. Ultimate Chapterwise & Mock Test Series
for NEET(UG) 2024
Commencement on - 25th February, 2024

2. CAPSULE MEDICAL COURSE
for NEET(UG) 2024
4 Periods daily, Mock Test every Sunday, Interactive Study Material
Eligibility : Class XII Sc. appearing / Passed
Commencement of class - 11th March 2024

Free Studentship for Meritorious Students
(1) Class X 2022 (HSLC) position holders or 95% marks or above in class X 2022 (CBSE/other board)
(2) Class XII 2023 (COHSEM) position holders or 95% marks or above in class XII 2023 (CBSE/other board)
(3) Selected students of MECI Explorer Academy
(4) Scoring 450 marks and above in NEET (UG) 2023
(5) Scoring 400 marks and above in NEET (UG) 2023 [For class XII 2023 passed out students]
(6) Scoring 300 marks and above in NEET (UG) 2023 for S.T.

For more details :
contact office of MECI, Keishampat Junction between 10 a.m. - 3 p.m.
Come & Complete your dreams

HL-B/8468/5, 12, 19, 26 Jan.

KINGDOM
AVIATION INSTITUTE
RECOGNIZED BY MINISTRY OF CORPORATE AFFAIRS, GOVT. OF INDIA.
AN ISO 9001:2015 CERTIFIED INSTITUTE.

ADMISSION
OPEN NOW
FOR 5TH BATCH FROM 15TH JANUARY 2024

✓ AIR HOSTESS (CABIN CREW), GROUND STAFF
✓ COMPUTER
✓ SPOKEN ENGLISH
✓ SPOKEN HINDI

FREE FOR ORPHANS AND RELIEF CAMPERS
Attend classes 1 yr until you get selected

OUR RECENT CHAMPIONS
SINGTHOUJAM JEENA DEVI (3RD BATCH)
PHEIROIJAM GOLDY DEVI (3RD BATCH)
LAISHRAM HENTHOISANA DEVI (3RD BATCH)
NGANGBAM ELINA DEVI (3RD BATCH)
HEISNAM OMILA DEVI (3RD BATCH)

MPP COMPLEX BEHIND POLO GROUND
KINGDOM OFFICE (IIIT BUILDING) 1ST FLOOR OLD LAMBULANE, OPP GP WOMEN'S COLLEGE
7005776944/8837407726
KINGDOM_EDUCATIONAL_INSTITUTE

HL-B/8419/12 Dec.